# চিনা ঃ ভাইরস ৱাথোক্কী মতাংদা চিনাগী প্রসিদেন্টতা পি এমনা ইরকখিবা চিঠিনা মরুপ ওইবগী মতৌ উংলে



*বৈজিং, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* হৌজিক কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মীশি–মীনা ময়াম অমা থোকহল্লিবা অদুগী মতাংদা চিনাদা শৌগৎপা অমসুং তেংবাং পীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংদা ইরকখিবা চিঠি অদুনা বৈজিংগা লৈনবা ন্যু দিল্লিগী মরুপ ওইবা মতৌ অদু মপুং ফানা উৎলে হায়রদুনা ঙসি চিনানা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎলক্লে।

প্রসিদেন্ট জিনপিংদা ইখিবা চিঠি অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অসিদা মীওই ৯,০০০ হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রবা ভাইরসকী লাইচৎ অদুগী মতাংদা চিনাগী প্রসিদেন্ট অমসুং মীয়ামদা অমত্তা ওইবা মতৌ ফোঙদোকখি।

কোরোনাভাইরসকীদমক ওফিসিয়েল মমিং ওইরিবা এন সি পি (নোভেল কোরোনাভাইরস ন্যুমোনিয়া)গী মায়োক্তা চিনানা থেংনরিবা অদুদা ইন্দিয়ানা শৌগৎলকখিবা অদুবু ঐখোয়না থাগৎলি অমসুং হরাও–ত্তাল্লা ফোঙদোক্লি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেং শুৱাংনা হায়খি।

ইন্দিয়াগী অফবা ৱাখল্লোন অদুমক্তা চিনাগা লৈবাক অসিনা মরুপ–মপাং ওইবা মপুং ফানা উৎলে হায়না প্রসিদেন্ট জি জিনপিংদা ইরকখিবা পি এম মোদিগী চিঠি অদুগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ওনলাইন মেদিয়া ব্রিফিং অমদা মিষ্টর গেংনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাইচৎ অদুগী মরমদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা অদুগীদমক অৱাবা ফোঙদোকপদ নত্তনা শীংনবদু মায়োক্লবদা চিনাদা ইন্দিয়াগী মতেংসু পীগনি হায়না খূৎ লাহোকখিবনি।

লাইচৎ অদু খ্বাইদগী হেন্না থীনা শোক্লবা হুবৈ প্রোভিন্সতগী হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়ান সিটিজন ৬৫০ রোম পুথোক্লকপা ঙমহনখিবগীদমকসু প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্ট জিনপিংদা মাগী নুংঙাইবা অদু ফোঙদোকখি।

লাইচৎ অসি পূন্না থেংনমিন্ননবা অমসুং রিজনেল অমসুং গ্লোবেল পব্লিক হেল্‌ঠ সেক্যুরিটি ঙাক্লবা ঐখোয়না ইন্দিয়া অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী অতৌ মেম্বরশিংগা থবক তৌমিন্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না মিষ্টর গেংনা হায়খি।

লাইচৎ অদু থেংননবগী খুদক্কী ওইবা মথৌ তাবশিং খন্দোক্লবা ইন্দিয়ানা চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংগা খূৎশন্নরি হায়না চিনাদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর বিক্রম মিশ্রিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ান মেদিয়াদা হায়খি।

# চিনা ভাইরসতা ৯০০ হেন্না শিখিবগা দব্লিয়ু ঐচ ওনা লাইচৎ অসি পাকশন্না শন্দোকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে



*বৈজিং, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* চিনাদা অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎতা শিখিবা মীগী মশীং ৯০৮ য়ৌখিবা অমসুং লাইচৎ অসি শন্দোক্লকপদগী মসি নাবগী মাশীং ৪৯,০০০ য়ৌরকখিবদা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা লাইচৎ অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদসু পাক শন্না শন্দোরকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা লাইচৎ অসিনা নাবদগী মীওই ৯৭ অমগা শিখিবা অদু দিসেম্বরদা ৱুহান সিটিদগী লাইচৎ অদুনা হেক শন্দোকপা হৌবদগী নোংম খক্তদা শিবদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বনি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা মেনলেন্দ চিনাদা লাইচৎ অসিনা নৌনা মীওই ৩,০০০ হেন্না নারে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে।

চিনাগী নেসনেল হেল্‌ঠ কমিসনগী মতুং ইন্না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী মশীং অদু থারগা পুন্না ৪৯,০৩০ য়ৌরে হায়খ্রে।

অদুবু লাইচৎ শন্দোকপগী চাং অসি থুনমক হন্থখিবগী তাঙ্ক অমা লাক্লগনি হায়ৱগী আশা লৈ হায়না সাংহাই ফুদান য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল স্কুলগী ভাইস–দিন ৱু ফাননা হায়খি।

ফিভম অসি হাইরপ লৈতানা লৈরি হায়না সমলপ্পা পাউদম অমদা সাংহাইদা মহাক্লা হায়খি।

জিনেভাদা ৱা ঙাংবদা দব্লিয়ু ঐচ ও চীফ টেদ্রোস অদানোম ঘেব্রিয়েসসনা চিনাদা লৈরুদবা মীদগী শন্দোকপগী নুংনাংনিঙাই ওইবা খুদমশিং লৈরে হায়খি।

লাইনা অসিনা নাবা মশীং য়ামদবা মীওই খরা খঙলকপা ঙমখিবা অসি অতৈ লৈবাকশিংদা, হেন্না পাকশন্না শন্দোক্লকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ অমনি, শন্না হায়রবদা ঐখোয়না উরিবসিদি সুপ্পগী মপান থোংগী কুরাংবান অদুখক্তা ওইরম্বা য়াই হায়খি।

ওফিসিয়েল রিপোর্টশিংদা য়ুমফম ওইরগা পাউগী এজেন্সি রোইটর্সনা পাবা মশীংগী মতুং ইন্না লাইচৎ অসিনা য়ামদ্রবদা লৈবাক ২৭ অমসুং টেরিটোরিশিংদা মীওই ৩৩০ হেনবদা নাহন্দুনা শন্দোক্লকখ্রে।

লাইচৎ অসি থোক্লকপদগী জনুৱারিগী অরোইবা মতমদা লোয়শিনগদবা লুনার ন্যু ইয়ারগী হোলিদেশিংদা অহেনবা নুমিৎ ১০নি হাপচিনখ্রবনি। অদুবু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা থবক শুফম কয়ামরুম থোঙ লোন্দুনা লৈরি। মীওই কয়ানা ময়ুমদগী ওইনা থবক তৌরি।

বৈজিংগী খ্বাইদগী হেন্না মী চিনবা সবৱে লাইনশিংদা মী চৎনখিদ্রে, মীওই পূন্নমক মাস্কশিং উপ্লি। লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা মীওই মিল্লিয়ন ৬০গী প্রোভিন্স হুবৈদা ট্রেন ষ্টেসনশিং অমসুং এয়ারপোর্টশিং থিংজিন্দুনা লোয়ননা প্রোভিন্স অসিগী লম্বী পূন্নমক সিল তৌশিন্দুনা হৌজিকসু পুর্ণথিং–থিংবগুম লৈরি।

মালেমগী ২শুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমি অসিদা ফেক্টরিশিং থোঙ লোনবগী মতম শাংদোক্লকখিবগী অদুনা গ্লোবেলগী সপ্লাই চেনশিংদা অপনবা থোকহনগনি হায়বগী নুংনাংবসু হেনগৎহনখ্রে।

হন্দক্কী অসিদা চিনাগী সেন্ট্রেল বেঙ্কনা ইন্টরেষ্ট রেট হন্থহনবা য়াওনা ইকোনেমিদা শৌগৎনবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে। ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী সেন্ট্রেল বেঙ্ক অসিনা বেঙ্কশিংদা মখোয়না ব্যুজিনেসশিংদা অমুক হন্না শেন পুথোকহন্নবগী অখন্নবা ফন্দসু পীরগনি হায়রি।

শিবগী মশীংদা, অতোপ্পা কোরোনাভাইরস ওইরিবা এস এ আর এসতগী হন্দক্কী অনৌবা মখলগী কোরোনাভাইরস অসিদগী শিবনা মশীং য়ান্না হেনখ্রে। এস এ আর এস হায়বা কোরোনাভাইরস অদু ২০০২/২০০৩দা অহানবা খঙলকখিবনি।

# থা ৪তা ঙাইরিবা ফাওবা প্রোটেষ্টকীদমক চৎলবা হায়না সাহীন বাঘকী মাতংদা সুপ্রিম কোর্টনা অশাওবা ফোঙদোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* সিটিজেনসিপি লো (সি এ এ)গী মায়োক্তা খ্বাইদগী মতম শাংনা চখবা প্রোটেষ্ট মফম দিল্লিগী সাহীন বাঘতা থা ৪তা ঙাইরিবা অঙাং অমা শিখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ট্রেল অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টতা নোটিস পীখ্রে।

সাহীন বাঘতা প্রোটেষ্ট তৌদুনা ফল্লিবা অঙাংশিংগী মমাঙশিং অদুগীদমক মহুৎ শিন্দুনা লেপ্লিবনি হায়বা উকিলশিংদা অকনবা ৱা হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্টনা থা ৪ খক্তা ঙাইরিবা অঙাংনা প্রোটেষ্ট অদুগীদমক চৎপা ঙমদ্রবা হায়না হংখি।

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া এস এ বোবদেনা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্ট বেঞ্চ অমনা অঙাং অদু শিবগী মতাংদা চীফ জষ্টিসতা মশাগী চহী ১২ শুৱবা নেসনেল ব্রেবরি এৱার্দ ৱিনর অমনা ৱাকৎলকখ্রবগী তুংদা থৌদোক অদু লুন্না লৌখি।

মহাক্কী ৱাকৎ–চিঠি অদুদা জেন গুনরত্না সাদাবরতেনা অঙাং শিবগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা তকশিল্লকখি। থা ৪গী অঙাং মোহম্মদ জহানবু মাগী মমা–মপাশিংনা নুমিৎ খুদিংগী প্রোটেষ্ট মফম সাহীন বাঘতা পুখি। শাথিনা ঈংবদগী জনুৱারি ৩০দা সেভিয়ার কোল্ড অমসুং কঞ্জেসনদগী মহাক শিখি।

সাহীন বাঘ প্রোটেষ্টশিংগীদমক সুপ্রিম কোর্টতা ঙাংখিবা উকিল কাঙবু অমনা ঙসি, গ্রেটা থনবর্গনা প্রোটেষ্টর অমা ওইরকখিবা মতমদা অঙাং অমা ওইখিবনি হায়না খ্বাইদগী অৱাংবা ৱানেশঙ অদুদা হায়খি।

মদুদা চীফ জষ্টিসনা উকিলশিং অদুগী মনুংদগী অমদা মরি লৈনদবা মরৈ তৌগনু হায়খি। কনাগুম্বনা করিগুম্বা মরী লৈনদবা মরৈশিং তৌরবদি ঐখোয়না তোক্লগনি, মসি কোর্টনি। ঐখোয়না মমা ওইবা হায়বদুগীদমক খ্বাইদগী ৱাংনা ঈকাইখুম্নে হায়না মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা হায়খি।

মুম্বাইদগী ক্লাস ৭গী মহৈরোই অমা ওইরিবা জেন গুনরত্না সাদাবরতেনা চহী অসিগী রিপব্লিক ডেদা নেসনেল ব্রেবরি এৱার্ড ফংখিবনি। মুম্বাই সিটিদা আগষ্ট, ২০১৮দা এপার্টমেন্ট অমদা মৈ চাক্লকখিবদা মহাক্লা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবদা মতেং ওইহনখি।

সাহীন বাঘ প্রোটেষ্টকী শিল্লি–লাংলিবা অদুগী মথক্তঃ থবক লৌখৎনবসু সাদাবরতেনা কোর্টতা তকশিনখি।

অঙাং শিখিবা অদু মখোয়না মরম ওইদুনা শিবনি হায়না মরান শীখি অমসুং চাইল্ড রাইটস অমসুং নেসনেল জষ্টিস থুগাইবনি হায়খি।

সিটিজেন ওইনবগীদমক লাইনিংবু মরম অমা ওইহনবা, অমসুং মসিবু য়ানিংদবশিংনা মদু মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা মীচং–মীখাই নাবগী থৌওংনি হায়রিবা সিটিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট (সি এ এ গী মায়োক্তা নুপী, নুপা অমসুং অঙাং চা কয়ানা সাহীন বাঘতা থা অমা হেন্না প্রোটেষ্ট চখরক্লি।

# সাউথ কোরিয়াগী *পেরাসাইট* না হোল্লিৱুডকী মমিং চৎলবশিং মায়থীবা পীরমদুনা ওস্কারগী পূৱারি শেমখ্রে



*লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* ইংলিস নৎতবা অতপ্পা লোন অমগী ফিলম অমনা মুভি ইন্দষ্ট্রিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ইকাইখুন্নবা ফংবদা অহানবা ওইনা ওস্কার ২০২০ ঃ ৯২ শুবা একাদেমিক এৱার্দস থৌরম ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াদগী ‘পেরাসাইট’না বেষ্ট পিকচরগী ওস্কার ফংখ্রে।

হৌজিক মতমগী সিওলদা ইনাকখুনবা অমসুং লাইরবা অনীসিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অদুগী মরমদা উৎপা ‘পেরাসাইট’না বোং জুন হো গীদমক বেষ্ট দিরেক্টর অমসুং বেষ্ট ওরিজিনেল স্ক্রিন প্লে অমসুং বেষ্ট ইন্টরনেসনেল ফিচরফিলমগী য়াওনা পুন্না ওস্কার ৪ ফংখ্রে।

ওস্কার এৱার্দসকী ইতিহাসতা ফিল্ম অমনা হৌজিক ফাওবদা বেষ্ট ইন্টরনেসনেল ফিল্ম অমসুং বেষ্ট পিকচর ফংবা য়াওখিদ্রি।

মসি ফিল্ম অমগীদমক মার্টিন স্কোরসেস অমসুং কুয়েন্টিন টরানটিনো গুম্বা হোল্লিৱুদকী মমিং চৎলবশিং অমসুং অফাওবা ষ্টদিওশিংনা পুথোকপা মুভিশিং মায়থিবা পীরমখিবসি য়ান্নামক শিংথানিঙাই ওইবা অমনি।

‘পেরাসাইট’কী কো–প্রোদ্যুসরশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা *চৱাক সিন অয়ে* না ঐহাক ৱা ঙাংবা থোকখিদে, মসি থোক্কনি হায়বসি ঐখোয় অমুক্তঃফাওবা ৱখলনা লামশিল্লুদে। ঐখোয় অদুক্কী মতিক নুংঙাই। ইতিহাসকী খ্বাইদগী খুদোঙচাবা মীৎকুপ অদু থোক্লে হায়না ঐঙোন্দা ফাওই হায়খি।

*বোং জুন হে* না ঙরাং নুমিদাং মহাক্কী অহানবা ওস্কার, বেষ্ট ওরিজিনেল স্ক্রিন প্লেগীদমক ফংখিবা অদুদা মহাক্লা অঙকপগা লোয়ননা গোল্ডন ষ্টেট্যুট অদুদা মুন্না য়েংদুনা লৈখি। ৯২ শুবা একাদমি এৱার্দস অসিদা বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট দাইরেক্টর, বেষ্ট ওরিজিনেল স্ক্রিনপ্লে, বেষ্ট ইন্টরনেসনেল ফিচর ফিল্ম অমসুং বেষ্ট পিকচর ফংখি।

বেষ্ট এক্টরদা জোকর ফিলমগী জোক্যইন ফিনিক্স, বেষ্ট এক্টর (সপ্পোর্টিং)দা ব্রাস অপোন এ টাইম ইন হোল্লিৱুডতা ব্রাথ পিট্ট, বেষ্ট এক্ট্রেসতা জুদি ফিল্মগী রেন জুৱেলৱেজর, বেষ্ট এক্ট্রেস (সপ্পোর্টিং)দা মেরিয়েজ ষ্টোরি ফিল্মগী লোরা ডের্ননা তাখ্রে।

বেষ্ট এনিমেটেদ ফিচর ফিল্মদা টোয় ষ্টোরি ৪, বেষ্ট সিনিমেটোগ্রাফিদা ১৯১৭ ফিল্মগী রোজর দিকিন্স অমসুং বেষ্ট দোকুমেন্টরি ফিচর ফিল্মদা হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবাবা অমসুং ফার্ষ্ট লেদি মিচেলি ওবামাগী অনৌবা প্রদক্সন কম্পেনিদগী ‘অমেরিকান ফেক্টরি’না ফংখ্রে, অমসুং এচিবমেন্ট ইন ম্যুজিক রিট্টন ফোর মোসন পিকচরস (ওরিজিনেল সোং)গীদা রোকেটমেন ফিল্মগী এলটোন জোনগী (আই এম গোনা) লব মি এগেন হায়বা ঈশৈ অদুনা ফংখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংগী এৱার্দ পীবগী থৌরম অদুদা এলটন জোননা মহাক্কী রোকেট মেন ফিল্মদগী ঈশৈ অদু শক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি।

# শ্রি লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাবোধি লাইশঙদা লাই খুরুমখ্রে



*গায়া, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা বোধ গায়াদা চৎখ্রে অমসুং বিহারগী গায়া দিষ্ট্রিক্তা লৈরিবা মহাবোধি লাইশঙদা লাই খুরুমখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর রাজাপক্সানা নোংমগী টুর অমদা অখন্নবা প্লেন অমদা বোধ গায়াদা থুংলখি। মহাকপু এয়ারপোর্টতা বিহারগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর প্রেম কুমার অমসুং অতৈ সেনিয়ার গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা তরান্না ওকখি।

শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরবু এগ্রিকলচর মিনিষ্টর প্রেম কুমারনা মফম অসিগী এয়ারপোর্টতা তরান্না ওখি। রাজাপক্সনা মহাবোদি লাইশঙদা লাই খুরুমখি হায়না বোধ গায়া টেম্পল মেনেজমেন্ট কমিটি (বি টি এম সি)গী মেম্বর অর্বিন্দ কুমার সিংহনা হায়খি।


প্রাইম মিনিষ্টর রাজাপক্সানা য়ুনেস্কো ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট অমা ওইরিবা পাতনাদগী কিলোমিটর ১১০ রোম লাপ্পা লাইশঙ অদুদা পুংখাই অমরোম লৈখি অমসুং শ্রীলঙ্কান মহাবোধি সোসাইরটিগীদমক মফম অদুদগী খোঙশানখি।

বি টি এম সি সেক্রেটরি এন দোরজি, মেম্বর অর্বিন্দ কুমার সিংহ অমসুং পুরোহিত মকোক ভানতে চালিন্দানা মাঙোন্দা খাদা অমা অমসুং চাচন্দননা শাবা মহাবোধি লাইশঙ অদুগী নিংশিং খুদম মেমেন্টো অমা খুদোল তন্নদুনা শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজপক্সাবু তরান্না ওকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু ২০১৫দা মহাক্কী শ্রী লঙ্কা খোঙচৎতা লৈবাক অদুগী থায়নগী কোনুং অনুরাধাপুরদা চৎখি অমসুং মফম অদুদা হৌরিবা শেংলবা মহাবোধি ট্রি অদুদা খুরুমখি। শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা শ্রীসেনাগা লোয়ননা নরেন্দ্র মোদিনা মহাবোধি ট্রি টেম্পল অদুদা পুংখাই অমরোম লৈখি।

ইন্দিয়াগী বিহারদা লৈরিবা বোধ গায়াদা হৌরিবা শেংলবা বোধি ট্রি অদুগী খা থংবা রোমদা শন্দোকখিবা মশা অদু খৃষ্ট পোক্ত্রিঙৈ চহী ২৮৮কী মমাঙদা নিংথৌরেল অশোকাগী মচানুপী নিংথৌমচানুপী শঙ্ঘমিত্তানা শ্রী লঙ্কাদা পুরকখিবনি হায়বগী থাইনগী ৱারী লৈ।

# নুমিৎকী অরোনবশিং খঙনবগী মিসনদা য়ু এস–য়ুরোপিয়ান সোলার ওর্বিটর ফ্লোরিদাদগী থাগৎখ্রে



*মিয়ামি, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* ‘নুমিৎ’কী মরমদা অমসুং পৃথিবিদা টেক্নোলোজিদা শাফু পীরিবা স্পেস ৱেদরবু মসিনা করন্না মওং লেপ্পগে হায়বগী মরমদা অমুক্কা হেন্না খঙনবগী খোঙচৎ অমদা য়ু এস–য়ুরোপিয়ান সোলার ওর্বিটর ১ ঙরাং নুমিদাং ফ্লোরিদাগী থাগৎখ্রে।

য়ুরোপিয়ান স্পেস এজেন্সি (ই এস এ) অমসুং অমেরিকান স্পেস এজেন্সি নেসনেল এরোনোটিক্স স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) অনীগা খূৎশন্নরগা পাংথোকপা মীসন অদু ফ্লোরিদাগী কেপ কেনভরেলদা লৈবা কেন্নেদি স্পেস সেন্টরদগী নুংথিল পুং ১১.০৩ (নিংথৌকাবা জি এম টি ০৪০৩)দা মায় পাক্লা পাইখৎখি অমসুং চহী ৯ নৎত্রগা হেনবা ফাওবা চন্নগনি।

ঙসি নিংথৌকাবগী অয়ুক পুং ১২.২৪ (০৫২৪ জি এম টি)দা য়ুরোপিয়ান স্পেস ওপরেসন্স সেন্টর, দার্মষ্টাদ, জর্মনিনা স্পেসক্রাফ অদুগী সোলার পেনেলশিং মায় পাক্ল দিপ্লোয় তৌখ্রে হায়বা সিগনেল অমা স্পিসক্রাফ অদুদগী ফংখ্রে।

স্পেস ওর্বিটর অসিনা নুমিৎকী এদমোসফিয়ার, মসিগী নুংশিৎশিং অমসুং ঐখোগী সিষ্টেম অসিবু কোন্সিল্লিবা স্পেসকী পাক চাওরবা মফম হেলিওসফিয়ার অদু করন্না মওং লেপ্পগে হায়বা য়াওনা নুমিৎকী মেগ্নেটিক ফিল্ডশিংগী মতাংদা মমাঙদা অমুক্তা খংখিদ্রিবা ফিভমশিং অদু খঙহনগনি হায়না আশা তৌরি।

ঐখোয়গী চপ মান্নবা পন্থুংফমগী পান্দম অমা লৈ অমসুং মদুদি মিসন অসিদগী অফবা সাইন্স অদু ফংগনি হায়বসিনি। ঐখোয়না মায় পাক্কনি খল্লি হায়না নাসাগী হেলিওফিজিক্স সাইন্স দিভিজনগী দাইরেক্টর হোল্লি গিলবর্গনা হায়খি।

সোলার ওর্বিটর অসিনা নাসাগী ২০১৮দা থাগৎখিবা পার্কর সোলার প্রোব অদুগা খূৎশন্ননা থবক তৌগনি অমসুং ‘নুমিৎ’কী কোরোনা ফাওবদা মতৌ করন্না ইনর্জি থাদোরকপগে হায়বদু য়েংনবা থৱানমিচাক অদুগী হেন্না মনুং চংশিনবা এদমোসফিয়ার অদু ফাওদুনা চংশিল্লগা নুমিৎতা য়ান্না হেন্না নক্নিননা পাইশিল্লগনি।

সোলার ওর্বিটর অসিনা মসিগী ওর্বিট অদু নুমিৎতা হেন্না নক্নিনা চংশিন্নবা গ্রেবিটি ৩গী মতেং শিজিন্নগনি।

২০২০গী দিসেম্বর অমসুং ২০২১গী আগষ্টতা ভেনস লাম্বোক্কনি অমসুং ২০২১গী নবেম্বর থাদা প্রিথিবি লাম্বোক্কনি। অসুন্না ২০২২ ফাওবগী মনুংদা ওর্বিটর অদুনা অহানবা ওইনা ‘নুমিৎ’তা খ্বাইদগী নক্নিননা পাইদুনা লাম্বোকহনগনি।

স্পেসক্রাপ অসিগী টেলিস্কোপশিংগী মনুংদগী অমখক নত্তনা অতৈ পূন্নমক হিট সিল্ডদা য়ান্না চেকশিন্না শিনবা হাংদোকপা অমসুং থিঙজিনবগী জগোই শারিবা অহোবশিং অদু ফাওদুনা য়েঙ্গনি। মতম অদুদা অতৈ ইনষ্টুমেন্টশিংনা হিট সিল্ডশিং অদুগী মরুমদা থবক তৌগনি। ‘নুমিৎ’কী পোলশিং অদু মশা অদুগী অতৈ মফমশিংদগী য়ান্না তোঙানবা রিজনশিংনি। চহী ১১ খুদিংগী নুমিৎকী পোলশিং অদু অৱাংনা খা ওইরকই অমসুং অমুক মদুগী মথক–মখা ওল্লি। থৌওং অসিগী হেক মাঙওইননা স্পেসতা সোলার মেটরিয়েলশিং শক্তি লৈনা পোকখায়হলক্তুনা সোলার এক্টিভিটি হেনগৎহল্লি।

# কম্যুনিটি কিচনগী মতাংদা এফিদাবিট থাগৎল্লক্তবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং লুপা লাক্ষ ৫গী ফাইন পীবা তাই



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ১০(এজেন্সি)ঃ* লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংবদা কম্যুনিটি কিচনশিং লিংখৎনবগী থারকপা পি আই এল অমগী মতাংদা এফিদাবিটশিং থাগৎলক্তবগীদমক ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি কয়ামরুমদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা অরুম্বা য়াথং পীখ্রে।

জষ্টিস এন ভি রামানানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, মথঙ পুং ২৪গী মনুংদা এফিদাবিট থাগৎলকপা ষ্টেটশিং লুপা লাক্ষ ১গী ফাইন অমসুং মতম অদু ফাওবদা থাগৎলক্তবশিং অদুনা লপু লাক্ষ ৫গী ফাই পীগদবনি হায়খি।

ষ্টেট ৫–পঞ্জাব, নাগালেন্দ, করনাতকা, উত্তরখন্দ অমসুং ঝরখন্দ– অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২– আন্দমান এন্দ নিকোবার অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা পি আই এল অদুগী মতাংদা মখোয়গী পাউখুম থাগৎলকখ্রে।

লৈবাক অসিনা কম্যুনিটি কিচনগুম্বগী সিষ্টেম অসি চাক লাম্বগী ৱাথোক লাক্লিন্নবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম থম্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা ওক্টোবর ১৮দা কম্যুনিটি কিচনশিং লিংখৎপা শৌগৎখিবনি।

চাক লাম্বা অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক ৱাৎপা থেংননবা কম্যুনিটি কিচনশিংগী স্কিম অমা পুথোক্লবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূন্নমক্তা পাউতাক পীবিয়ু হায়দুনা থারকখিবা পি আই এল অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট পূন্নমক্তা মখোয়গী পাউখুমশিং পীরক্লবা নোটিস তৌখিবনি।

পি আই এল অদুনা হায়খি, চহী ৫গী মখাদা লৈবা অঙাং কয়া মপুক লাম্বা অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক ৱাৎপদগী নুমিৎ খুদিংগী শিরি। ফিভম অসি সিটিজেনশিংগী রাইট টু ফুদ অমসুং রাইট টু লাইফ য়াওনা তোঙান–তোঙানবা ফান্দমেন্টেল রাইটশিং থুগাইবনি।

অনুন ধৱন, ইসানন ধৱন অমসুং কুঞ্জানা সিংহ হায়রিবা সোসিয়েল এক্টিভিষ্টশিংনা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎখিবা পি আই এল অদুনা পাব্লিক দিসট্রিব্যুসন স্কিমগী ৱাংমদা লৈবা মীওইশিংগীদমক নেসনেল ফুদ গ্রিদ অমা শেন্নবা সেন্টরদা দিরেক্সন অমা পীবিয়ুশু হায়খি।

পুক লাম্বগা মরী লৈনবনা শিবা মুখৎনবা স্কিম অমা পুথোক্লবগীদমক নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (এন এল এস এ)দা ওর্দর অমা থোকপীনবসু পি আই এল অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখি।

তামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেশ, উত্তর খন্দ, ওরিশ্যা, ঝরখন্দ অমসুং দিল্লিদা হায়জিনিক ওইবা ফিভমদা অতাবা মমলদা চাক্লেনশিং পীজরিবা ষ্টেটনা ফন্দ পুথোকপা কম্যুনিটি কিচনশিং অদু পি আই এল অসিনা পনখি।

মসিদ নত্তনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরকখিবা অসিনা মহৌশানা লেন্না নৎত্রগা করিগুম্বদা কৈথেলগী মমলদগী হন্থনা মবুক লান্নবশিংদা চিঞ্জাক পীরিবা অতৈ লৈবাকশিংদা তৌরিবা সুপ কিচন, মিল সেন্টর, ফুদ কিচন নৎত্রগা কম্যুনিটি কিচনগী মওংশিং অদুসু পনখি।

এদভোকেট অসিমা মন্দলা অমসুং এদভোকেট ফুজাইল অহম্মদ অয়ুবিগী খূৎথাংদা থারকখিবা পেটিসন অদুনা সেন্টর অমসুং মসিগী মিনিষ্ট্রি কয়ামরুন্না চাক লাম্বা, মচি ওইবা ৱাৎপা থেংননবা মখল কয়াগী স্কিমশিং হৌদোকখ্রে অমসুং পাংথোকখ্রে। অদুবু অশেংবা ওইনদি স্কিমশিং অদুগী থবক পাংথোকপদা ময়েক শেংদবা অমসুং সুপ্পগী অকক্লবা খক ওইনা তৌই হায়খি।

পুক লাম্বগী মরমদগী ইন্দিয়াদা অঙাং লাক্ষ ৩ হেন্না চহী খুদিংগী শি হায়না গ্লোবেল এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌরি। অদুবু ইন্দিয়াদদি চাক লাম্বদগী চরাহেন্দুনা শিবগী ষ্টেটিষ্টিক্স ফংদে হায়না ৱাকৎ অদুনা হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা স্কিমশিংগী থবক মেনখৎতুনা হেন্না মপুং ফাহন্নবা ষ্টেটনা নৎত্রগা পব্লিক–প্রাইভেট পার্টরসিপ (পি পি পি)গী মওংদা কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিটিগা লোয়ননা ফন্দ পীবা কম্যুনিটি কিচনশিং পায়খৎপা য়াই হায়না পি আই এল অদুনা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without

**Hard Sana Suduku-384**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | | | 9 | 4 | | 2 |
| 9 | | | | 7 | | | 6 | 8 |
| 4 | | 7 | 6 | | | | 9 | |
| | | 6 | | 4 | | | 8 | 7 |
| | 4 | | 9 | | 6 | | | 3 |
| 2 | | 8 | 7 | | | 9 | | |
| 1 | 7 | 9 | | 6 | | | | |
| | 2 | | | | 3 | | | 9 |
| | 8 | | 4 | | | 6 | | |

## GAS TODAY

**Ashangbi Indane, Sugnu**
Booking : 31/10/19
Valid : 23/10/19
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

## সনা–সুদোকু–৩৮৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 5 | 4 | 9 | 3 | 2 | 6 | 7 |
| 2 | 4 | 9 | 6 | 1 | 7 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 6 | 7 | 2 | 5 | 8 | 1 | 4 | 9 |
| 7 | 9 | 6 | 1 | 4 | 5 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 4 | 3 | 8 | 6 | 7 | 9 | 1 |
| 8 | 3 | 1 | 9 | 7 | 2 | 4 | 5 | 6 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 4 | 9 | 7 | 2 |
| 4 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 |
| 9 | 5 | 2 | 7 | 6 | 1 | 3 | 8 | 4 |